# কনভিক্টশিং শিবগী চৈরাক পীরবা মতমদা নিংথিনা পোত্থাবা ফংলগনি: নির্ভয়াগী অপোকপী




ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী): নির্ভয়াগী অপোকপী অশা দেবীনা হায়খ্রে মদুদি, মার্চ অহুমদা কনভিক্টশিং থৌরি য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীরবা মতমদা অচুম্বা ৱায়েল ফংনবগী খোঙজং লোইশিন্দুনা পোত্থাবা ফংলগনি।

পাউমীশিংগা উন্নখিবা অমদা অশা দেবীনা হায়খি, দিল্লিগী কোর্ট অমনা ঙরাং কনভিক্টশিংবু অহুমলক শুবা ওইনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে। হন্দক্কী অসিনা অরোইবা ৱায়েল ওইরগনি হায়না থাজবা থল্লি।

কনভিক্ট মরিদা মশা কঞ্জনবগী খুদোংচাবা মতিক চানা ফংহল্লে। মার্চ অহুমদা কনভিক্টশিং থৌরি য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীরবা মতমদা অচুম্বা ৱায়েল ফংনবগী খোঙজংসু লোইশিল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লিশাং শিংনা চত্থরক্লিবা ৱায়েল অসিগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মমাংদা অনীরক কোর্টনা দেথ ৱারেন্ট পীবা লৈখ্রে। অহুমলক শুবা ওইনা ঙরাংসু কোর্টনা কনভিক্টশিংবু শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখি। কনভিক্ট মরিমক্না অরেম্বদা মতম মাংহন্নবা হোৎনদুনা লৈরে হায়বা পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফম্নি। কোর্টনসু ৱাফম অসি মুন্না খঙলে।

দিল্লিগী কোর্ট অমনা ঙরাং নির্ভয়া গেং রেপ এন্দ মর্দর কেসকী কনভিক্ট মরিবু মর্চ অহুমগী অয়ুক পুং ৬তা থৌরি য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখি। নির্ভয়াগী ইমুং-মনুং অমসুং স্টেটনা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমা হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা পাটিয়ালা হাউস কোর্টনা দেথ ৱারেন্ট ইস্যু তৌখিবনি।

ফেব্রুৱারী ৫দা দিল্লি হায় কোর্টনা কনভিক্টশিংবু মশা কঞ্জনবগীদমক লোগী ওইবা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎচনবা চয়োল অমগী মতম পিখি। লোয়নবা চপ মান্নবা ক্রাইম অমদা পূন্না চেন্নবা মরম্না কনভিক্ট মরিমক তোঙান-তোঙান্না শিবগী চৈরাক পীবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখি।

জন্যুৱারী ৭তা দিল্লিগী কোর্ট অমনা কনভিক্ট মরি-বিনয় শর্ম্মা, অক্ষয় থাকুর, পৱন গুপ্তা অমদি মুকেশ সিংহবু জন্যুৱারী ২২দা টিহার জেলগী কা অমদা থৌরি য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখিবনি।

কুমজা ২০১২গী দিসেম্বর ১৬তা মশাগী চহী ২৩ শুবতা ঙাইহরিবী নির্ভয়ানা দিল্লিদা বস অমা তোংলিঙৈদা জুবেনাইল অমা য়াওনা মীওই তরুক্না গেং রেপ তৌরগা ভিক্টিম অদুবু অচেনবা বসতগী ইন্থখি। নুমিৎ খরনি লৈরগা নুপী অদু সিঙ্গাপোরগী হোস্পিটাল অমদা শিখিবনি।

# লেন্দ রেভিন্যুগী রসিট, বেঙ্ককী চে-চাং অমদি পেন কার্দপু সিটিজনসিপকী খুদম ওইহনবা য়ারোই: কোর্ট




ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী): লেন্দ রেভিন্যু রসিট, বেঙ্ক স্টেটমেন্ট অমদি পর্মনেন্ট একাউন্ট নম্বর (পেন) কার্দপু সিটিজনসিপকী খুদম ওইনা শিজিন্নবা য়ারোই হায়না গৌহাটি হায় কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন্নরগী কেটগরিদা থমখ্রবী নুপী অমনা ফাইল তৌরকপা পিটিসন রিজেক্ট তৌরবা মতুংদা হায় কোর্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা অসামগী নেসনল রেজিস্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী)গা মরী লৈননা থবক তৌরিবা ওথোরিটিশিংনা লেন্দ রেকোর্দ অমদি বেঙ্ক রেকোর্দপু খুদম ওইনা উৎপা য়াই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মমাং চহীগী ওগষ্টতা ফোঙখিবা এন আর সীগী ফাইনেল লিষ্টতা মিং য়াওরক্তুবা মীওই লাক্ষ ১৯ লোম্না ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজননি হায়না খুদম চাংদম কয়া পুথোক্লুবা হোৎনদুনা লাক্লি। এন আর সীদা মিং য়াওদবা মীওইশিংগী ৱাকৎ তানবগীদমক বাংলাদেশকা লোন্নবা স্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ফোরেন্নর্স ট্রাইব্যুনেল চা কয়া লিংখৎখ্রবনি।

করিগুম্বা ট্রাইব্যুনেলনা রিজেক্ট তৌরকপা কেসশিং হায় কোর্টতা ৱাকৎপা য়াই। তঙাইফদ্রবদি সুপ্রিম কোর্টতা ফাওবা ৱাকৎনবগী খুদোংচাবা পীরি। লোগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎলবা মতুংদা ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজননি হায়বা চপ চানা উৎপা ঙমদ্রবদি মীওই অদু দিটেন্সন সেন্টরদা থমগনি হায়না লৈঙাক্না লাউথোকখি।

খ্বাইদগী ইকোন-কোন্না পীখিবা য়াথং অমদা গৌহাটি হায় কোর্টকী জষ্টিস মনোজিট ভুয়ান অমদি জষ্টিস পার্থিব জ্যোটি সাইকিয়ানা হায়খি মদুদি, পেন কার্দ অমদি বেঙ্ককী চে-চাংশিং সিটিজনসিপকী খুদম ওইনা শিজিন্নবা য়ারোই। লেন্দ রেভিন্যুগী রসিট পায়বা মীওই অমবু লৈবাক্কী সিটিজননি হায়না লৌফম থোক্তে।

ফোরেন্নর্স ট্রাইব্যুনেলনা মীতোপ্নি হায়না লাউথোকখ্রবা জ বেদা বেগম এলিয়স জবেদা খাতুন কৌবী নুপী অমনা ট্রাইব্যুনেলগী য়াথং অদু শিংনরদুনা হায় কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখি।

নুপী অদুনা ফোরেন্নর্স ট্রাইব্যুনেলদা পীশিনখিবা দোক্যুমেন্টশিংগী মনুংদা ভিলেজ চীফনা পীবা সর্টিফিকেট য়াওখি। অদুবু নুপী অদু ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজননি হায়না উৎনবগী মতাংদা মতিক চাবা খুদম অমত্তা পুথোকপা ঙমখিদে।

হায় কোর্টকী বেঞ্চ অসিমক্না মমাংদা ভোটর আইদেন্টিটি কার্দপু সিটিজনসিপকী খুদম ওইনা শিজিন্নবা য়ারোই হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে। অসামদা পায়খৎলিবা এন আর সীগা মরী লৈনবা থৌরাংশিংগী মতাংদা সেন্টরনা হায়খি মদুদি, লোগী ওইবা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎপা লোইদ্রিবা মীওই অমত্তবু ফোরেন্নরনি হায়না লাউথোকপা তৌরোই। সুপ্রিম কোর্টকী মীয়েং খাদা অসামগী এন আর সীগা মরী লৈনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

# য়ু কে, ফ্রান্স নম্‌থরম্লগা ইন্দিয়ানা মালেমদা মঙাসুবা খ্বাইদগী চাউবা ইকনমী ওইরে




ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ স্টেটকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ কিংদম অমদি ফ্রান্স নম্‌থরম্লগা ইন্দিয়ানা মালেমদা মঙাসুবা খ্বাইদগী চাউবা ইকনমী ওইরে।

ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন রিভিয়ুনা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়খি, ইন্দিয়ানা ওপন-মার্কেট ইকনমী মপুং ফানা ফিভম ফাগৎহনবা ঙম্লে। গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক দোলর ট্রিলিয়ন ২.৯৪ য়ৌরকপগা লোয়ননা মালেমদা হৌজিক ইন্দিয়াগী ইকনমীনা মঙাসুবদা লৈরি। য়ুনাইদেট কিংদম অমদি ফ্রান্সতগী ফাওবা ইন্দিয়ানা শেল-থুমগী ফিভম ফনা লৈরি।

য়ুনাইটেদ ইকনমী দোলর ট্রিলিয়ন ২.৮৩নি। ফ্রান্সকীনা দোলর ট্রিলিয়ন ২.৭১নি। পর্চেজিং পাৱর পেরিটি (পি পি পি)দা য়েংনবদা ইন্দিয়াগী জি দি পি দোলর ট্রিলিয়ন ১০.৫১নি। হীরম অসিদা ইন্দিয়ানা জাপান অমদি জর্মনিদগী ফাওবা মাংজিল থানা লৈরে। কা হেন্না মীশিং য়াম্বা মরম্না ইন্দিয়াগী জি দি পি পর কেপিতা দোলর ২,১৭০ ওইরি। য়ুনাইটেদ স্টেটসকীনা দোলর ৬২,৭৯৪নি।

অদুম ওইনমক ইন্দিয়াগী অশেংবা জি দি পি গ্রোট থংনা-থংননা চহী অহুম হন্থরকপা য়াই হায়না থাজনরি। চাদা ৭.৫ ওইরম্বদগী চাদা ৫ খক্তদা হন্থরক্লগনি হায়না রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ১৯৯০গী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়াগী ইকনমিক লিবরেলাইজেসনগা মরী লৈনবা থবক পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা ফোরেন ট্রেদ এন্দ ইনভেষ্টমেন্টতা কন্ট্রোল তৌবগী চাং হন্থরকখি। লৈঙাক্না চলাইবা ইন্টপ্রাইজ কয়াসু প্রাইভেটাইজেসন তৌখি। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী ইকনমিক গ্রোথ খোঙজেল য়াংশিল্লকপনি হায়রি।

মালেমদা খ্বাইদগী খোঙজেল য়াংনা ফিভম ফাগৎলক্লিবা সেক্টরদি ইন্দিয়াগী সর্ভিস সেক্টরনি হায়রি।

# য়ু পি গভর্ণমেন্টনা লূপা ক্রোর ৫,১২,৮৬০গী বজেট পুথোকখ্রে

লখনৌ, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী): চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যানাথনা লূচিংবা উত্তর প্রদেশকী বি জে পি গভর্ণমেন্টনা ঙসি শেনবা চহী ২০২০-২১গী বজেট পুথোকখ্রে।

ফাইনান্স মিনিষ্টর সুরেশ খন্নানা স্টেট এসেমব্লিদা লুপা ক্রোর ৫,১২,৮৬০গী বজেট পুথোকখিবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ১০,৯৬৭.৮৭ চংনা অনৌবা স্কিমশিং পায়খৎনবগী প্রোভিজনশিং লাউথোকখি।

মমাং চহীগী বজেটকা চাংদম্নবদা শেনবা চহী ২০২০-২১গী বজেটনা লুপা ক্রোর ৩৩,১৫৯ হেল্লে। যোগী অদিত্যানাথনা লূচিংবা লৈঙাক্না পুথোকপা বজেট হন্দক্কী অসিনা মরিরক শুবনি। রামগী পোক্লফম্নি হায়না লৌরিবা অযোধ্যাদা এয়রপোর্ট শানবগীদমক লুপা ক্রোর ৫০০ কায়থোকপগী ৱাফম বজেটতা য়াওই।

অতৈ অতোপ্পা বজেটতা য়াওরিবা মরু ওইবা থৌরাংশিংদি গোরখপুর অমসুং অতৈ সিটিশিংদা মেট্রোগী খুদোংচাবা লৈহন্নবগীদমক লুপা ক্রোর ২০০ কায়থোকপা; কানপুর মেট্রোদা লুপা ক্রোর ৩৫৮ থাদবা; অগ্নি মিসনগীদমক লুপা ক্রোর ১০; প্রধান মন্ত্রি মাত্রু বন্দনা য়োজনাগী লুপা ক্রোর ২৯২; জল জিবন মিসনগী লুপা ক্রোর ৩,০০০; সঞ্জয় গান্ধি পোষ্ট গ্রেজুএট ইন্সটিট্যুট (এস জি পি আই)গী লুপা ক্রোর ৮২০; কেন্সর ইন্সটিট্যুটকী লুপা ক্রোর ১৮৭; সাইবর ক্রাইম লাকশিন্নবগী লুপা ক্রোর ৩; উত্তর প্রদেশগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা নহারোল থবক ফংহন্নবগী পান্দমদা য়ুব হব লিংখৎনবা লুপা ক্রোর ৫০; জেৱার এয়রপোর্টকী লুপা ক্রোর ২,০০০; য়ু পি পুলিস অমসুং ফোরেন্সিক ইন্সটিট্যুটকী লুপা ক্রোর ২০ লোয়ননা অযোধ্যা এয়রপোর্টকী লুপা ক্রোর ৫০০ কায়থবগী ৱাফমসু বাজেটতা য়াওরি।

# দিল্লি পুলিসনা জামিয়াদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা চার্জ শিট ফাইল তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী): দিসেম্বর ১৫দা জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়া য়ুনিভর্সিটি অমসুং ফ্রেন্দস কোলোনিদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা দিল্লি পুলিসনা চার্জ শিট ফাইল তৌখ্রে।

দিল্লিগী সকেট কোর্টতা ফাইল তৌখিবা চার্জ শিটতা দিল্লি পুলিসনা মীওই ১৮বু জামিয়া মিলিয়া অমদি ন্যু ফ্রেন্দস কোলোনিদা কা হেনবা থৌদোক থোকহনখিবদা চেন্নে হায়না মরাল শিরি।

দিল্লি পুলিসনা সিদিসনগী চার্জদা ফারগা বুক তৌখ্রবা শার্জিল ইমামনা ইনশিল্লগা জামিয়া য়ুনিভর্সিটি অমসুং ন্যু ফ্রেন্দস কোলোনিদা কা হেনবা থৌদোক থোকহনখিবনি হায়রি।

দিল্লি পুলিসকী চার্জ শিটতা সী সী টি ভিগী ফুটেজ, কোল রেকোর্দ অমদি কেস অসিগী মরী লৈনবা ৱিটনেস ১০০ হেনবগী স্টেটমেন্টসু য়াওখি। দিল্লি পুলিসনা চত্থখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মতুং ইন্না থৌদোক থোকফমদগী ফংখিবা নোংমৈ মরুগী তোকনিং পূম্নমক এম এম ৩.২ পিষ্টোলগীনি হায়বা খঙলে। রায়টতা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী মশক মমিং চপ চানা খঙদোকপা ঙম্নবগীদমক পুলিসনা ফোটোগ্রাফ কয়ামরুম থাদোরক্লগনি।

কেস অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা পুলিসনা ন্যু ফ্রেন্দস কোলোনিদগী মীওই মাপন অমসুং জামিয়া মিলিয়া য়ুনিভর্সিটিদগী মীওই নিপান ফাবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক কেস অসিগী মরী লৈননা জামিয়া য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় অমত্তা চার্জ শিট ফাইল তৌবদা য়াওদ্রি।

রিপোর্ট অমনা হায়, চীফ মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা সেক্সন ৩০৭, ১৪৭, ১৪৮, ১৪৯, ১৮৬, ৩৫৩, ৩৩২ অমদি ৪২৭কী মখাদা চার্জ শিট ফাইল তৌখিবনি। পনবা য়াবদি দিসেম্বর ১৫দা থোকখিবা থৌদোক্তা পুলিস পর্সনেল ৪৭ য়াওনা মীওই ৯৫ রোম অশোক-অপন নংখিবনি।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mut. Case No. 91/SDC/SWG of 18/02/2020**

Parties :- Leitanthem Shreeman Singh S/o (L) Leitanthem Manglem Singh of Nongmeibung Mamang Ayangpalli Mutum Leikai. *-Petitioner*

-Vs-

Late Pattadar :- 1) Leitanthem Manglem Singh S/o (L) Amu Singh of Ayangpalli Kongpal Mutum Leikai. *-Opposite Parties*

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Sawombung, the 18/02/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি শওম্বুং তহশিল খুল নং 70-Chonthaba Khul পাট্টা নং ২০ (অরিবা), ৬৫ (অনৌবা), দাগ নং ২০৭৫, মোট এরিয়া ০.৬১ একর চাউবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার Leitanthem Manglem Singh মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

***Sd/- Sub-Deputy Collector, Sawombung, Imphal East***

HL-P/6436/19

## OFFICE OF THE BISHNUPUR MUNICIPAL COUNCIL

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ/ **NOTICE**

Dated : 12/2/2020

**No.BMC/2000/RO/N-T/Adv./2017-18/News Approval -** অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Women Vendor Shed No. B6, Licence No. B/90, Seat No. 311/(N) শ্রীমতি Laishram Bidhu Devi W/o L. Kanglenjao Singh লৈফম Ngaikhong Khullen Awang গী মীংদা লৈবা পোৎফম অসি Licence Holder মশানা Meishnam (Ongbi) Purnima Devi W/o (Late) L. Sanayaima Singh লৈফম Bishnupur Ward No. 10 গী মীংদা লাইসেন্সকী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা লাইসেন্স হোলদরগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নীগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই অমদি লাইসেন্সকী মীং ওনথ্রগনি।

**Sd/- Y. Arunkumari Devi**
**Revenue Officer**
**Bishnupur Municipal Council**

HL-P/4594/19

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)
## NOTICE FOR OBJECTION

**Imphal, the 18th February, 2020**

**No.Prop/SR/IW/2020:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Khwamrak Kindergarten" on 18-02-2020 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Laimanai, Langol"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/ Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/ registration of propose society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies, Imphal West

HL-P/6430/19

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mut. Case No. 93/SDC/SWG of 18/02/2020**

Parties :- Leitanthem Shreeman Singh S/o (L) Leitanthem Manglem Singh of Nongmeibung Mamang Ayangpalli Mutum Leikai. *-Petitioner*

-Vs-

Late Pattadar :- 1) Leitanthem Manglem Singh S/o (L) Amu Singh of Ayangpalli Kongpal Mutum Leikai.
2) Leimapokpam (Ningol) Monorama Devi D/o Nilamani Singh of Ningthem Pukhri Mapal. *-Opposite Parties*

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Sawombung, the 18/02/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি শওম্বুং তহশিল খুল নং 70-Chonthaba Khul পাট্টা নং ১০০ (অরিবা), ৩৩৭ (অনৌবা), দাগ নং ২০৮৪, মোট এরিয়া ১.২৬ একর চাউবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার 1) Leitanthem Manglem Singh 2) Leimapokpam (Ningol) Monorama Devi মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

***Sd/- Sub-Deputy Collector, Sawombung, Imphal East***

HL-P/6436/19

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 110/AS&SO- III Dt. 16/2/2020**

(1) Athoilu Daimei W/o (Late) Sukham Brajendra Singh of Dewlahland. (2) Sukham Bipin Kumar S/o (Late) Sukham Brajendra Singh of -do- (3) Sukham Nandita Devi D/o (Late) -do- of -do (4) Sukham Pinky Devi D/o (Late) -do- of -do- *...Petitioners*

-Vrs-

(Late) Sukham Brajendra Singh S/o (Late) Nandababu Singh of Dewlahland. *...O.P.*

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Imphal, the 18/02/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৫ (এ) কবো লৈকায় পাট্টা নং ... (অরিবা), ২২১ (অনৌবা), দাগ নং ৩/৪২৭, এরিয়া ০.০৯৬৩ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Sukham Brajendra Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৬/২/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেশ মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/-Assistant Survey & Settlement Officer-III, Manipur**

HL-P/6431/19

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: KONTHOUJAM IMPHAL WEST DISTRICT MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 122/SDC/K/2020**

Kshetrimayum Ibecha Devi W/o (L) Ameshwor Singh of Tera Sapam Leirak. -Petitioner

-Vs-

(Late) Kshetrimayum (Ongbi) Dasumati Devi W/o Chaoba Singh of Sagolband Tera Sapam Leirak. -OP/Party

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

The 13th Feb. 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃ: পাট্টাদার ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী দসুমতি দেবী পতি চাউবা সিংহ সাং শগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্কী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৮৪ খুম্বোংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৪১, দাগ নং ১০০৩ অমসুং এরিয়ানা ০.৬৮৯৯ চাউবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

***Sd/- Sub-Deputy Collector, Konthoujam, Imphal West***

HL-P/6235/19

## IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref :- Mut. Case No.76/SDC/M dt. 18/02/2020**

1. Puyam Chaoba Singh S/o (Late) Munal Singh of Moirang Khunou Maning Leikai (0.02 acre in South)
2. Pyuam Shyam Singh S/o (Late) Munal Singh of -do- (0.20 acre in Middle)
3. Puyam Chonjohn Singh S/o (Late) Tomba Singh of -do- (0.13 acre in North)

-Vs-

(Late) Khaidem Mera Singh S/o (Late) Angangton Singh of Moirang Khunou.

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Moirang, the 18th Feb. 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫৩ - মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৫৫৭/৭৯ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৮৫২০, এরিয়া ০.৫৫ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মথক্তা পীরিবা পিটিস্নরশিংনা মখোয়গী মীংদা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/6438/19 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 236/SDC/NBL of 2020**

1) Ahanthem Dijamani Singh S/o (L) A. Gouramani Singh of Keishamthong Ahanthem Leikai.
2) -do- Dinecha Devi D/o (L) -do- of Uripok Ningthoukhongjam Leikai.
3) Victor Ahanthem S/o A. Shyamsunder Singh of Keishamthong Ahanthem Leikai.
4) Kunjaraj Ahanthem S/o Suresh Singh of -do- *-Petitioners*

-Vrs-

(Late) Ahanthem Gouramani Singh S/o (L) Amubi Singh of Keishamthong Ahanthem Leikai. *-Pattadar*

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Dt. 18/02/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 23 - Maibam Patta No. 96 (Old), 60 (New) Dag No. 197, Area 5.69 acres of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি নং (১) (২) (৩) (৪) না মখোয়গী মীংশিংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/6434/19 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 108/AS&SO- III Dt. 16/2/2020**

(1) Jubeda Begum D/o (Late) Muhammad Itocha Shah of Hiyangthang, Pallak. (2) Buyamayum Bidyarani D/o (Late) -do- of -do- (3) Buyamayum Khurshid Alam S/o (Late) -do- of -do- *...Petitioners*

-Vrs-

(Late) Muhammad Itocha Shah S/o (Late) Md. Ibomcha Shah of Hiyangthang Pallak. *...O.P.*

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Imphal, the 18/02/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৬ (এ) নোংপোক ইঙ্খোল পাট্টা নং ৮২৬ (অরিবা), ১২৭ (অনৌবা), দাগ নং ২০৯, এরিয়া ০.০২৫০ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Muhammad Itocha Shah মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৬/২/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেশ মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/-Assistant Survey & Settlement Officer-III, Manipur**

HL-P/6431/19

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mut. Case No. 92/SDC/NTK/2020**

1. Laishram Khelendro Singh S/o (L) Modhu Singh
2. L. (O) Indu Devi D/o -do-
3. L. Ketuki Singh S/o -do-
4. L. Indramani Singh S/o (L) -do-
5. L. Nimai Singh S/o (L) -do- All are resident of Nachou Kha Leikai W/ No. 5 *...Petitioners*

-Vs-

(Late) Laishram Modhu Singh S/o (L) Chaoba Singh of Nachou ...Opponent

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 18th Feb. 2020

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 41 - Nachou Village গী Patta No. 70 (O), 136 (N), C.S. Dag No. 1272, 1274, 1275, 1276, 1279, an Area 4.26 acre of Ingkhol Class অসি পাট্টাদার মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৫/২/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/6435/19 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mut. Case No. 86/SDC/NTK/2020**

1) Thokchom Ibotombi Singh S/o (L) Tomba Singh of Thinungei W/No.5
2) Thokchom Dhaneshwar Singh S/o (L) Tomba Singh of Thinungei W/No.5
3) Thokchom Dhirendra Singh S/o (L) Tomba Singh of Thinungei W/No.5
4) Thokchom Radheshyam Singh S/o (L) Tomba Singh of Thinungei W/No.5. *...Petitioners*

-Vs-

(Late) Thokchom Tomba Singh S/o (L) Ibochou Singh of Thinungei Co-pattadar Sl. No. 1 ...Opponent

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 18th Feb. 2020

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 46 - Phubala গী Patta No. 284 (O), 15 (N), C.S. Dag No. 128/129/130, an Area i) 2.20 (ii) 1.82 (iii) 2.21 acre of Phourel Class অসি পাট্টাদার মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৫/২/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/6435/19 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mut. Case No. 85/SDC/NTK/2020**

1) Thokchom Dhaneshwar Singh S/o (L) Tomba Singh of Thinungei.
2) Thokchom Dhirendra Singh S/o (L) Tomba Singh of Thinungei.
3) Thokchom Radheshyam Singh S/o (L) Tomba Singh of Thinungei W/No.5. *...Petitioners*

-Vs-

(Late) Thokchom Tomba Singh S/o (L) Ibochou Singh of Thinungei W/No.5. ...Opponent

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 18th Feb. 2020

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 45 - Thinungei গী Patta No. 211 (O), 140 (N), C.S. Dag No. 1158, an Area 4.25 acre of Phourel Class অসি পাট্টাদার মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৫/২/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/6435/19 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong